# সনালৈবাক স্পোর্টস

SATURDAY, JUNE 14, 2014, PAGE 7




*কেমেরুন অমদি মেক্সিকো শান্নখিবা মেটচতা মেক্সিকোগী শান্নরোইশিং পুক্নিং থৌগৎলিবা লৈবাক অসিগী ফেন অমা*

*ব্রার্ল্ড চেম্পিয়ন স্পেন অমদি নেদরলেন্দ শান্নবা মেটচতা স্পেন টিমবু পুক্নিং থৌগৎলিবা লৈবাক অসিবু নুংশিজবী নুপী অমা*



## ফিফানা শিনবা ২০শুবা ব্রার্ল্ড কপ

# অহৌবা মেটচতা গোল ২ চনখিবা নেমার টোপ গোল স্কোররগী কন্টেষ্টতা চংশিল্লি

*সাউ পাওলো, জুন ১৩ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙরাংদগী হৌখিবা লৈবাক ৩২না শরুক য়ারিবা ফিফা ব্রার্ল্ড কপ ২০শুবা ইদিসনগী অহানবা মেটচতা য়ুম্বু ওইরিবা ব্রাজিলগী ষ্ট্রাইকর নেমারনা গোল ২ চনবগা লোয়ননা ক্রোএসিয়াবু ৩–১দা মায়থিবা পীখ্রে ।

লৈবাক অনি অসি ইং ২০০৬কী জর্মন ব্রার্ল্ড কপ্তা গ্রুপ এফতা পুন্না তামিন্নবগা লোয়ননা গ্রুপ অদুগী অনিশুবা মেটচ ওইনা ক্রোএসিয়া অমদি ব্রাজিল শান্নখি । মদুদা ব্রাজিলনা ক্রোএসিবু গোল ১–০দা মায়থিবা পীখিবনি । মমাংদা পাংথোকখিবা ব্রার্ল্ড কপ্তা ক্রোএসিয়া ক্কালিফাইদ ওইবা ঙমখিদে, হন্দক ক্কালিফাইদ ওইদুনা ব্রাজিলগা অমুক্কা হন্না গ্রুপ এদা লৈমিন্নরি ।

অহানবা মেটচ ওইনা লৈবাক অনি অসি থেংনবদা ক্রোএসিয়া অমদি ব্রাজিলনা অহানবা হাল্ফকী শরুকশিংদা মাগী মাগী টিমগী গোল চন্নবা কন্না হোৎনখি । মেটচ অদুগী ১১শুবা মিনিটতা ক্রোএসিয়াগী মিদ ফিল্দর ইভান রাকেটিকনা নেম্না ক্রোস তৌরকপা বোল অমা লুকস মোদ্রিকনা গোল ওন্থোক্নবা ওপন নেত্তা ফংলবসু বোল পালহৌদবনা নুংঙাইতদুনা লৈরিঙৈদা ব্রাজিলগী ফুল দিফেন্দর ওইরিবা মার্সলোনা মপান্দা কাওথোকখিনবা হোৎনবদা শোইবদগী গোল মাউথ মনুংদা চংখিদুনা ওন গোল চন্দুনা ক্রোএসিয়াগী অহানবা গোল ওইখি।

ব্রাজিল টিমগী কোচ ওইরিবা স্কোলরিনা টিমগী শান্নরোইশিংবু ফাথবগা লোয়ননা গোল হন্দোক্নবা পাউতাক কয়া পিখি । মেটচ অদুগী ২০শুবা মিনিটতা ক্রোএসিয়াগী টিম কেপ্টেন ওইরিবা দিরজো সারন্দা ফাউল তৌরুবগীদমক ব্রাজিল ষ্ট্রাইকর ওইরিবা নেমারবু জাপানগী রেফ্রি অদুনা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি । মসিগী মতুং মিনিট ৯ লৈরগা মেটচকীনা ২৯শুবা মিনিটতা ১৫ য়ার্দসতগী কাওরকপা নেমারগী বোল অমা ওইথংবা পোষ্টতা পাল্লগা চংখিদুনা ব্রাজিলগী গোল ওইবগা লোয়ননা ১–১দা দ্রো ওইখি ।

অহানবা হাল্ফকী মতম লোইবদা টিম অনিমক্না মখা তাবা গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখি । সেকেন্দ হাল্ফ হৌরবা মতুংদা ব্রাজিলনা মখা তানা বোল পায়দুনা শান্নখি । মেটচ অসিদা ব্রাজিলনা বোল পায়বগী চাং অসি চাদা ৫৯ ওইখি । অদুগা ক্রোএসিয়ানা চাদা ৪১গী চাংদগী হেন্না প্রোসেস তৌবা ঙমখিদে ।

মেটচ অদুগী ৭০শুবা মিনিটতা ব্রাজিলগী ফেরিক্না পুশিল্লকপা বোল অমা ক্রোএসিয়াগী দিফেন্দরশিনা পেনালটি এরিয়া মনুংদা সেরিএস ফাউল তৌরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌবগা লোয়ননা ব্রাজিলদা পেনালটি অমা এব্রার্ড তৌখি । ফংলিবা পেনালটি অদুদা ব্রাজিলগী ওইনা অহানবা গোল চনখিবা নেমারনা গোল ওন্থোক্কুনা টিম অসিনা ২–১দা মাংজিন থাদুনা লৈখি । মহাক্না মেটচ অসিদা গোল অনি চনবগা লোয়ননা ব্রার্ল্ড কপকী ওইনা ইহান হান্না গোল অনি চনবা ঙম্বা শান্নরোই অমা ওইদুনা লৈরি ।



গোল ২ চনবা ঙমখ্রবা ব্রাজিলগী শান্নরোই নেমার

শান্নরোই অসিনা হন্দক্কী চহি অসিগী ওইনা অহানবা মেটচতা গোল অনি চনবা শান্নরোই অমা ওইবা ঙমখ্রে । মসিগা লোয়ননা কপ লোইরবা মতুংদা গোল খ্বাইদগী য়াম্না চনবা শান্নরোইদা পীবা টোপ স্কোররগী কন্টেষ্টতসু শরুক য়াখ্রে । টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই ওস্কারসু কপ অসিদা গোল অমা চন্দুনা কন্টেষ্ট অসিদা শরুক য়াবা ঙমখ্রে । ক্রোএসিয়ানা বোল হৌদুনা মখা তানা শান্নরকখি । অদুবু গোল হন্দোকপা ঙমখিদে । গোল ওইবা য়াবা কয়া অমা য়াওখিদবা নত্তে ব্রাজিলগী দিফেন্দরশিংনা মখা তাবা গোল চন্দনবা কন্না থিংখি ।

অনিশুবা হাল্ফ লোইগদবা মিনিট ২ ব্রাৎলিঙৈদা ফোরদ ওফিসেলনা ইঞ্জুরি টাইম মিনিট ৪ হাপতুনা শান্নখি । ৯০+১ মিনিটতা ব্রাজিলগী ষ্ট্রাইকর ওস্কারনা গোল অমগা চন্দুনা ক্রোএসিয়াবু গোল ৩–১দা মায়থিবা পীখি । ব্রাজিলনা হৌজিক মেটচ অমা শান্নবা লোইখিবদা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখ্রে । ক্রোএসিয়াগী মথংগী মেটচতা কেমেরুনগা থা অসিগী ১৮দা শান্নগনি । নুমিৎ অসিদা টিম অসিগী অতোপ্পা মেটচ ওইনা য়ুম্বু ওইরিবা ব্রাজিল মেক্সিকোগা শান্নগনি । অরোইবা মেটচনা তাং ২৪দা ক্রোএসিয়াগা মেক্সিকোগা অদুগা ব্রাজিলগা কেমেরুনগা শান্নগনি ।



ব্রার্ল্ড কপ হৌদোকপগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা জেনিফ লোপ্পেজ অমদি মহাক্কী কাংবুনা পাংথোকখিবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম

# ইংলেন্দনা অহৌবা নুমিত্তা ব্রিকেৎ ৫ তুবদা রন ৩৪৪ লৌখ্রে

*লোর্দস, জুন ১৩ঃ*

মফম অসিদা চথরিবা শ্রীলঙ্কা অমদি ইংলেন্দগী অহানবা টেষ্ট সেরিজগী অহৌবা নুমিত্তা ইংলেন্দনা ব্রিকেৎ ৫ তুবদা রন ৩৪৪ লৌখ্রে ।

ইংলেন্দগী বেটস মেন ওইরিবা জো রুদনা রন ১০২ লৌদুনা সেঞ্চুরি য়ৌবা শান্নরোই ওইখি । মহাক্কী মতুংদা লাকখিবা মোইন অল্লিসু রন য়াম্না লৌখৎখিবগা লোয়ননা মমাংদা লৈবাক অসিনা ব্রিকেৎ ৩ ঙন্না তুখিবগী অব্রাবদি কোকখ্রে ।

রুদসনা হন্দক্কী চহি অসি হৌরকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচ অদুদা রন ২৩ লৌরগা অয়াম্বা মতমদা আউত ওইখিবা অদু হন্দক্কী অসিদদি য়াম্না নিংথিনা শান্নবগা লোয়ননা টেষ্ট মেটচতা সেঞ্চুরি লৌখিবা অসিগা লোয়ননা হন্দক্কী চহি অসিদা মহাক্না টেষ্টতা লৌখিবা সেঞ্চুরি অসি ৩শুবা ওইখ্রে ।

মহাক্না বোল ১৯০দা সেঞ্চুরি লৌখিবনি । মহাক্কা পার্টনর ওইরিবা মেদপ্রিলোনা রন ৭৬ লৌদুনা শান্নরোই অসিগী মতেং চাওনা পাংখি ।

অহানবা টেষ্টকী অহৌবা নুমিৎকী শান্নবা লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংগা উন্নবদা শান্নরোই অসিনা হায়, টিম অসিগী অমসুং মহাক মশাগী য়েংলগা মতম কুইনা তুমিন্না লৈরম্বনি অদুবু ঙসিগী টেষ্ট অসিদা মহাক্না বোল ১৯০দা রন ১০০ হেন্না লৌদুনা সেঞ্চুরিগী রেকোর্দ থম্বা ঙম্বা অসি নুংঙাইবা ফাওই হায়খি ।



মমাংদা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নবা টেষ্ট মেটচতা লৈবাক অসিনা ৫–০দা চাওনা মায়থিবা নংখিবা অদুদগী টিম অসিনা অনৌবা মীৎয়েং অমা টেষ্ট ক্রিকেৎতা থম্বা হৌরকখিবনি।

অয়ুক্কী মতমদা ইংলেন্দ টিমগী শান্নরোই ৩ মথং মথং তুখি । মদুদা শ্রীলঙ্কগী কেপ্টেন এঞ্জেলো মেথিউনা মহাক্না ফিলদিং খনবা অসি অচুম্বা খোংথাং অমনি হায়খি। অয়ুক্কী মতমদা নুব্রান কুল্লাসেখারা অমদি নুব্রান প্রদিপনা ইংলেন্দগী ব্রিকেৎশিং মথং মথং তুহনখি ।

নুংথিলগী অহৌবা শরুক্তা ইয়ান বেন্দনা রন ৫৬ লৌরবা মতুংদা আউত ওইখি । মহাক্না ঙসি লৌখিবা হাল্ফ সেঞ্চুরি অসিগী লোয়ননা টেষ্ট মেটচ ৯৯ শুবদা লৌখিবা হাল্ফ সেঞ্চুরি অসি ৪০ য়ৌখ্রে । মসিগা লোয়ননা মহাক্কী ইংলেন্দ টিমবু রন ১২০দা য়ৌহনবা ঙমখিবনি । রুদস অমদি মুইন্না রন ৮৯ লৌদুনা লৈরি ।

রুদ অসি ইংলেন্দগী য়াম্না থুনা রন লৌবা ঙম্বা নহা ওইরিবা বেট্স মেন অমা ওইরি । হৌজিক ফাওবা মহাক্না টেষ্ট মেটচতা রন ১০০০ হেন্না লৌখ্রে । মখোয় অনিগী পার্টনরসিপনা ইংলেন্দ টিমগী রন মশিং য়ামখৎহনখি ।

মহাক্না টিম অসিগী রন য়ামখৎনবা হোৎনবদা স্পিন বোল কয়াবু সিক্স ওন্থোকপগা লোয়ননা হাল্ফ সেঞ্চুরি য়ৌরবা মতুংদা ফাষ্ট স্লিপতা মাহেলা জায়া ব্রার্দেনানা ওক্কুনা আউত ওইখি ।

মহাক্কী মথংদা থোক্লক্লিবা শান্নরোই মুইনগা রুদসকা পুন্না বেত্তিং তৌমিন্নদুনা হৌজিক ফাওবদা ব্রিকেৎ তুহনবা ঙমদবা শান্নরোই ওইদুনা রন ১৩৫ লৌদুনা লৈরি । রুদনা মখা তানা হায়খিবদা মহাক্না প্রিওর অমদি মুইন অল্লিগা পার্টনর ওইদুনা রন য়াম্না লৌখি ।



# স্পেন অমদি নেদরলেন্দ গ্রুপ বিদা থেংনগদৌরি

*সালভাদ্রো, জুন ১৩ঃ*

ব্রাজিল ব্রার্ল্ড কপকী গ্রুপ বিগী মেটচ ওইনা মমাং চহিগী চেম্পিয়ন ওইরিবা স্পেনগা ফাইনেলিষ্ট নেদরলেন্দকা থেংনগনি ।

সালভাদ্রোদা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিদা ইং ২০১০গী ব্রার্ল্ড কপতা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা স্পেন টিমনা ব্রাজিলদা লাক্কুনা মমাংগী চহিদা মখোয়না মায়থিবা পীরমখিবা নেদরলেন্দগা থেংনগদৌরিবা অসিদা মমাংদা শরুক য়াখিবা শান্নরোই ১৬সু য়াওগদৌরি ।

স্পেন টিম অসি ইং ২০০৮ অমদি ২০১২দা পাংথোকখিবা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়নসিপ্তা ব্রিনর ওইখিবনি । টিম অসিদা য়াওরিবা শান্নরোই ১৬ অসি লৈবাক অসিনা মমাংদা পাংথোকখিবা সোকরগী অচৌবা টুনার্মেন্টশিংদা শরুক য়াখিবা ঙক্তনি ।


শান্নরোইশিং অদুগী মনুংদা খরদং পল্লবদা জেবিস, এন্দ্রেস ইন্তাস অমসুং দেবিদ সিলভানচিংবা মরুওইবা মিদ ফিলদর কয়া য়াওরি । লোয়ননা নেদরলেন্দ টিমদা ষ্ট্রাইকর ওইনা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা রোবিন ভেন প্রাসি অমদি এর্জেন রোবেননা স্পে টিমগা মায়োক্নদুনা শান্নগদৌরি ।

ব্রাজিলদা পোকখিবা শান্নরোই দিকো কোস্তাসু টিম অসিগী শান্নরোই অমা ওইনা শরুক য়ারি মসিদা লোয়ননা ভেন সেন দেল দ্রোসকুইস অমসুং লারোজা য়াওরি।

হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিনা ব্রার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াবগা লোয়ননা য়ুরোপকী লৈবাক্না সাউথ আফ্রিকাদা পাংথোকপা ব্রার্ল্ড কপ্তা অহানবা ওইনা চেম্পিয়ন ওইখ্রবা অমসুনি ।

স্পেনগী ১১ টিম অসিনা হৌজিক মমাংগী ব্রার্ল্ড কপ অদুদা মায়থিবা পীরমখিবা দটসকী লৈবাক অমা ওইরিবা নেদরলেন্দবু মায়থিবা পীনবা হোৎনবদা মখোয়না শান্নগদৌরিবা ফোর্মেসন অসি ৪–৩–৩ নত্রগা ৫–৩–২ হায়রিবা পোজিসন অসিদা থেংনগদবনি ।

নেদরলেন্দ টিমসু ব্রার্ল্ড চেমিপয়ন ওইরিবা স্পেন্না শান্নরকপা ফোর্মেসন অদুদা থেংনগনি হায়না টিম অসিগী কোচ ওইরিবা লুইজ ভেন গেলনা ফোংদোকপা লেখ্রে ।



# রোজর ফেদররনা গ্রাস কোর্দতা মায়পাকপা হৌখ্রে

*হেল্লি, জুন ১৩ঃ*

মতম অমদা ব্রার্ল্ডগী নম্বর ১ ওইরম্বা রোজর ফেদররনা মতম কুইনা টেনিসকী টুনার্মেন্টশিংদা মায়পাকপা ঙমদনা লাক্লবা মতুংদা গেরি ব্রেভার ওপন্দা অহানবা মেটচতা মায়পাক্কুনা সেকেন্দ রাউন্দ চংবা ঙমখ্রে ।

স্যুইজগী শান্নরোই অসিনা অহানবা রাউন্দদা প্রোটুগালগী শান্নরোই অমা ওইরিবা জাও সৌসাবু ৬–৭ (৮), ৬–৪, ৬–২দা মায়পাকপগা লোয়ননা অনিশুবা রাউন্দ চংবা ঙমখ্রে ।

শান্নরোই অসিনা হৌজিক ফাওবদা ব্রিমল্লিদন চেম্পিয়ন ৭লক য়াওরগা গ্রাস কোর্দকী টাইটল লৌবসি ১৩রক শুখ্রে ।

মসি টেনিসকী শান্নরোইশিংনা ইং ১৯৬৮দগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা মহাক নত্তবা অতোপ্পা শান্নরোই অমত্তা লৈখিদ্রি । অদুম ওইনমক শান্নরোই অসি অহানবা সেটতা প্রোটুগলগী শান্নরোইগী মখুত্তা মায়থিবা নংখি । মহাকপু ফ্রেন্স ওপনগী মরিশুবা রাউন্দদা আর্নেস গুলবিসনা মায়থিবা পীরমদুনা লৈহৌখি ।




Join Join

13th THE GREAT JUNE UPRISING, UNITY DAY

18th JUNE, 2014 (WEDNESDAY)

Venue : Kekrupat, Imphal

Time : 5:00 am. to 6:00 pm.

Rituals, Floral Tribute and People's Convention
Blood Donation : at Kekrupat, RIMS & JNIMS Hospital

Organised by :
Observation Committee

AMUCO UCM

Space donated by Sanaleipak daily